**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী হাউজিং অমসুং অবার্ন এফিয়ার্সকী রাজ্য মন্ত্রি- তোখন সাহুনা মহাক্কী মন্ত্রালয়গী মখাদা ককচিং জিলাদা পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংশিনখ্রে।

২) শিক্ষা মন্ত্রালয়গী হায়র ইজ্‌কেসনগী সেক্রেতরি বিনিত জোসিনা হায়রি- য়ু.জি.সিনা থোকপা নেসনেল ক্রেদিৎ ফ্রেমৱার্ককী মখাদা মহৈরোইশিংনা এক্তিভিতিশিংগী খুত্থাংদা ক্রেদিৎ তানবা য়ারে।

৩) নুপীদা চত্থবা মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা শলাই অপুনবা নুপী লমজিং লুপনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালদা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখ্রে।

৪) কোকোমিগী কুমজা ২০২৬-২৭ কী নৌনা থৌ পুগদবশিং খন্দুনা ঙসিদগী থবক পুবা হৌখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অসামগী কালিয়াবোরদা লুপা কোতি লিশিং ৬,৯৫০ গী কাজিরঙ্গ এলিভেতেদ কোরিদোর প্রোজক্ট উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

------

সাহু (এল)ঃ কেন্দ্রগী হাউজিং অমসুং অবার্ন এফিয়ার্সকী রাজ্য মন্ত্রি- তোখন সাহুগী নুমিৎ নিনিগী মণিপুর খোঙচৎ ঙসি লোইশিনখ্রে। ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা মহাকা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর-৭ তা চত্তুনা মফম

অদুদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা (অরবান)গী মখাদা শারিবা য়ুমশিং য়েংশিনখি।

মহাকা অতল মিসন ফোর রিজ্‌বিনেসন এন্দ অরবান ত্রান্সফোর্মেসন (অমরুট) টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা পায়খৎপা শলাম প্রোজেক্ট পুখ্রি অচৌবা শেমজিনবগী থবকসু য়েংশিনখি। দিন দয়াল অত্যোদয়া য়োজনা নেসনেল অরবান লাইভলিহুদস মিসনগী মখাদা লৈবাকলৈ গ্যাস মনাক্তা লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মেম্বরশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। ককচিং মোরাম্বদা লৈবা মোরাম্বা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট এস.বি.এম সাইটতসু মন্ত্রিনা চত্তুনা য়েংশিনখি। মহাক া মখা তানা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অমসুং দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা হাংদোকপা আই.দি.পিশিংগী ষ্টোলদসু চত্তুনা য়েংখি। দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা মন্ত্রিনা উ চারাসু থাখি। মদুদা ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনার উপুলুরি চৈতন্যা, এস.পি. প্রিয়াদরসিনি লাইশ্রম অমদি ককচিং ফোরেষ্টকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা ককচিংগী এম.এল.এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরসু লোয়নখি।

মীতিং (এল)ঃ ভারত সরকারগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী হায়র ইজ্‌কেসনগী সেক্রেতরি বিনিত জোসিনা হায়রি- য়ু.জি.সিনা থোকপা নেসনেল ক্রেদিৎ ফ্রেমৱার্ককী মখাদা মহৈরোইশিংনা শান্ন-খোৎনবা, স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং অতৈ এক্সপরিমেন্টেল লার্নিং এক্তিভিতিশিংগী খুত্থাংদা ক্রেদিৎ তানবা য়ারে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা হায়র ইজ্‌কেসনগী মতাংদা মহাকা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা শ্রী জোসিনা হায়- সরকারনা য়ু.জি.সিগী খুত্থাংদা হায়র ইজ্‌কেসনদা স্কিল দিভলপমেন্টসু হাপচিল্লে অমসুং মসিবু একাদমিক ক্রেদিৎ অমা ওইহল্লে।

শ্রী জোসিনা হায়- মহৌশাদগী লৈরক্লবা ক্লাস রুমদা য়ুম্ফম ওইদুনা মহৈ তম্বগী থৌওং অসিদা মতম মতমগী ওইবা দরকার লৈবশিং অদুসু ফংহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ । হোংলক্লিবা টেকোলোজিশিংগী মরুওইবা পল্লদুনা মহাকা হায়- মহৈরোইশিংদা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী মতাংদা শিক্ষা পীবা অসিসু য়ামা মরুওইবা তঙাইফদা অমনি । মসিগীদমক দিপ্যুতি কম্মিসনারনা

এ.আইগী এৱারনেস প্রোগ্রামশিং পায়খৎনবসু খঙহনখি।

মীফম অদুদা কলেজ ওথোরিতিশিংনা কলেজ লেবেলদা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং, মরুওইনা মহৈরোইশিংগী এটেন্দেন্স অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া পুখৎখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা প্রিন্সিপালশিংনসু শেল থুমগী ফিভম ফত্তবা ইমুংগী মহৈরোই কয়া লৈরি, মসিনা ক্লাস চাং নাইনা য়াওবদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লি হায়নসু ফোংদোকখি। মসি কোকহন্নবা স্কিল ওরিয়েন্তেদ অমদি থবক পীবা ঙমগদবা মখলগী কোর্সশিং লৈহন্দুনা মহৈরোইশিংনা লাইরিক তম্বগা লোয়ননা মশাগী শেন্থোক লৈহনজনবগী ৱাফমসু হৌদোকখি।

মীফম অদুদা কম্মিসনার (হোম) এন. অশোক কুমার, হায়র অমসুং টেকি কেল ইজ্‌কেসনগী কম্মিসনার- এন. জিওফ্রি, বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবম, জিলা থাক্কী ওফিসারশিং, তোঙান তোঙানবা কলেজগী প্রিন্সিপালশিং, ফেকলতি মেম্বরশিং অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

কমিতি (এল)ঃ জষ্টিস কমিতি হেন্না পাকথোক চাউথোকবগীদমক মসিগী ত্রিপুরা ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে। জষ্টিস কমিতিগী চেয়ারমেন জোয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়- খোঙথাং অসিনা মণিপুরগী মপানদা চোইনা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী মরক্তা পুনশিনহন্দুনা অপুনবগী শক্তি অমা শাগৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। অসাম, ত্রিপুরা, বঙ্গলাদেশ অমসুং ম্যান্মারনচিংবদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিং পুৱারীগী তাঙ্ককশিংদা কমদৌনা খুন্দাখিবনো হায়বদু হৌরক্লিবা মীরোলদা নিংথিনা খঙহনবা তঙাইফদে। মালেমগী মীয়ামদা ঐখোয় অসি মশাগী পুৱারী লৈজবা অরিবা ফুরুপ কাংলুপনি হায়বদু উৎনবা হোৎনগদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ত্রিপুরা ব্রাঞ্চ অসিগী মীওই ৩০ না শাবা থৌ পুগদবশিং জোয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ৱাশক লৌখি।

সনুলাল (এল)ঃ নুপীদা চথবা মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা শলাই অপুনবা নুপী লমজিং লুপ (সনুলাল)না শিন্দুনা ঙসি মোইরাংখোম বোকুল মখোঙদগী

শিংজমৈ চীংঙামখা ফাওবা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখ্রে। মসিগী মতাংদা সনুলালগী প্রসিদেন্ট টি.ঐচ. ইবেথোইনা হায়- নুপী হাৎপা অমসুং নুপীদা চথুবা মীওৎ মীনৈগী চাং হেনগৎলকপা থিংনবা অমদি নুপীগা মরী লৈনবা কেসশিং থুনা লোইশিন্নবা তকশিনবা ওইনা খোঙচৎ অসি পাঙথোকপনি।

শ্যাম (এলঃ)ঃ করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি- অঙাংশিংবু শেল তান্নবা, থবক ফংনবগী ৱাখল্লোনদা লাইরিক তমহনবগী মহুৎতা মমা মপা অমদি মরমদমবু নুংশিবা, লৌশিং গ্যান লৈবা মীওই অমমম ওইহন্নবগী ৱাখল্লোনদা শেন্নীগদবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লিলোং চজিং মাইরেলখোংদা ঙসি পাঙথোকপা মপা লৈখিদ্রবা অঙাংশিংদা লাইরিক তম্বদা মতেং ওইনবা শেন্থুং য়েন্থোকপগী ১১ শুবা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী শ্যামনা হায়- লাইরিক হৈরবসু লাইশু খঙবা ৱাৎলবদি অদুগুম্বা অঙাংশিংনা খুনাইগী য়ুম্বী ওইরকপা মতমদা পামদবা অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরকই। মরম অদুনা অঙাংশিংদা লাইরিক খক্তা তম্বীবগী মথক্তা লাইশুসু নিংথিনা তম্বীগদবনি। মপা কাইনখ্রবসু লৈহৌরিবা মমাশিংনা মচাশিংবু নিংথিনা পুকিং থৌগৎপীদুনা শেন্নীরবদি মতিক চাবা মীওই অমমম ওইরকপা ঙমগনি।

কোকোমি (এল)ঃ কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)গী কোর কমিতিগী অনৌবা চহি ২০২৬-২৭ কী কনভেনর অমদি কো-কনভেনরশিং ঙসি লাউথোকখ্রে।

লমফেলদা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা নৌনা থৌ পুগদবশিংগী মীং অদু লাউথোকখি। ৱাই.কে. ধিরেন্না অনৌবা কনভেনর ওইরগনি। তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংদগী লাকপা মীহুৎশিংনা কোর কমিতিগী কো-কনভেনর অমসুং তোঙান তোঙানবা ফমশিং পায়রি।

অরি অনৌ শিন্নবগী থৌরম অদুদা কোকোমিগী হান্নগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা হায়- হান্না থৌ পুরম্বশিংগী মতম লোইরকপদগী মীখল পাঙথোক্তুনা মথং টার্মগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনবনি। অনৌবা থৌ পুবশিংনা পায়খৎলকপা লৈবাক মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামা মখা তানা মতেং পাংবীয়ু।

নৌনা কনভেনর ওইরবা ৱাই.কে. ধিরেন্না হায়- মণিপুরগী ৱাথোক অসি লোইশিন্দুনা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা হল্লকবা হোৎনবদা কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদবা লৈবা খুদিংমক থাদোকদুনা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা চংই।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ থাউগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবা নুমিৎলৈ থাবা অমসুং লৈবাক লৈহাও ফহন্নবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামদগী খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা বাস্কর প্রাভা সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালনা মণিপুর সেবা সমিতিগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

থৌরম (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী পাঙ্গৈ বজারদা লৈবা রাম স্কুলদা সেনিয়র সিতিজন্স সোসাইতি খুন্দ্রাকপম এ.সিগী অনৌবা চহিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সোসাইতি অসিগী সেক্রেতরি ডাঃ ক্ষেত্রিময়ুম কালানা হায়- অহল ওইরবশিংবু মচা মশু ওইরিবশিংনা মীনুংশিগা লোয়ননা লুন-চান্না তৌবীগদবনি।

মোদিঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অসামগী নাগাউন জিলাগী কালিয়াবোরদা ঙসি লুপা কোতি লিশিং ৬,৯৫০ গী কাজিরঙ্গ এলিভেতেদ কোরিদোর প্রোজক্টকী উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- কিলোমিতর ৮৬ শাংবা কাজিরঙ্গ এলিভেতেদ কোরিদোর প্রোজেক্ট অসি অকোইবগী ফিভমদা শোকহন্দবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্ট অমনি। হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা লৈবাক অসিগী ডমংগী শরুক হেনগৎলে। মহাকা হায়- এক পের মা কে নাম

কেম্পেনগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা উ কোতি ২৬০ হেন্না থাখ্রে। মহৌশা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পুন্না চৎমিন্নবা য়াই হায়বসি ভারতনা মালেমদা উৎলে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- বি.জে.পি অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী খ্বাইদগী পান্বা দল অমা ওইরি। প্রধান মন্ত্রিনা অনৌবা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি অনিসু লমথাখি। রেলগাড়িশিং অদুদি- কমাখ্যা-রোহতক অমৃট ভারত এক্সপ্রেস অমসুং দিব্রুগর-লখনৌ  অমৃট ভারত এক্সপ্রেসনি। প্রধান মন্ত্রিনা অকোইবগী ফিভমবু কায়হন্দনা থমবসু মীয়ামদা আপীল তৌখি।

বিশ্ব কর্ম্ম ঃ কেন্দ্রগী এম.এস.এম.ই মন্ত্রি জিতন রাম মানঝিনা হায়রি- এম.এস.এম.ই অসি লৈবাক অসি চাওখৎহন্নবগী য়াংলেন শরুনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পি.এম. বিশ্বকর্ম্ম হাট হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- মসিনা আর্তিসানশিংদা মখোয়গী পোথোকশিং কৈথেলদা য়োন্নবগী প্লেটফোর্ম অমা ওইরি। পি.এম. বিশ্বকর্ম্ম য়োজনাগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মানঝিনা হায়- স্কিম অসি লৈবাক অসিদা থবক ফংদবা মীওইগী মশিং হন্থহন্নবা পান্বে অমনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এস.এম.ইগী রাজ্য মন্ত্রি সোভা করন লাজেনা হায়- পি.এম. বিশ্বকর্ম্ম য়োজনানা অর্তিসানশিংদা টেকোলোজিগী ওইবা তেংবাং, ত্রেনিং অমদি পোথোক্কী য়োনফম ফংহন্দুনা মখোয়বু শৌগৎপীরি। আর্তিসানশিং অসিনা ওন্তরপ্রেন্যুরশিং ওইরক্তুনা লৈবাক অসিনা ভিক্সিত ভারতকী লম্বীদা মাঙলোমদা চংশিল্লকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

পৱার ঃ  ২০২৪-২৫ দা রেকোর্দ ওইবা চাংদা পোজিতিভ প্রোফিৎ অফতর টেক্স (পেট)তগী মৈ পুথোকপদা লুপা কোতি লিশিং ২,৭০১ গী শেন্দোং ফংবা ঙমখি।

পৱার মন্ত্রালয়গী মতুংইন্না হৌখিবা চহি কয়াদদি লৈবাক অসিনা পুন্না য়েংবদা পেটতগী লাকপা শেনফম অসি মাংজখি। মন্ত্রালয়না হায়- ২০২৪-২৫ গী ওইনা কারক্লিবা শেনফম অসি ২০১৩-১৪ দা লুপা কোতি লিশিং ৬৭,৯৬২ মাংজখিবা অদুগা য়েংনবদা শিংথানিঙাই ওইবা চাংদা ফিভম ফগৎলবনি। মসিনা মৈ পীবগী লমদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোক্লে হায়নসু কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রি মনোহরলালনা হায়রি। ফিভম অসি লম অসিদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগী মহয়নি।

কোষ্ট গার্দ ঃ ভারতকী কোষ্ট গার্দ অমসুং জপানগী কোষ্ট গার্দকী অপুনবা হেজার্দিয়স এন্দ নোক্সিয়স সবষ্টেন্সেস (ঐচ.এন.এস) রেস্পোন্স ড্রিল মুম্বাইদা পাঙথোক্কুনা সমুদ্রগী লমদমদা লৈবাক অনিনা তেংবাং পীনবগী লমদা হেন্না খোঙফম চেৎশিনহনখ্রে। মসিগী শরুক অমা ওইনা জপান কোষ্ট গার্দকী কম্মান্দেন্ট- এদমিরেল য়োসিও সেগুচিনা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমগা লোয়ননা ঙরাং ইন্দিয়ান কোষ্ট কার্দগী রিজনেল হেদক্বাটরস (ৱেষ্ট)তা থুংলখি। এদমিরেল সেগুচিনা কোষ্ট গার্দকী ইন্সপেক্তর জেনেরেল ভিসম শর্ম্মগসু উন্নখি। মখোয়না লৈবাক অনিনা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা মরুওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু খন্নখি।

ই-বস ঃ মহারাষ্ট্রদা ইলেক্ট্রিক বস লিশিং ১ চেলহন্নবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে। খোঙথাং অসি কেন্দ্র সরকারগী পি.এম-ই ড্রাইভ স্কিমগী মখাদা পায়খৎপনি। মসিগী মতাংদা পুনে মহানাগর পরিবাহন মহামন্দল লিমিতেদনা হেভি ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রালয়দা ই-বস লিশিং ১ পীবীনবা হায়জখ্রে। মসিগী মনুংদা মিতর ৯ শাংবা বস ২০০ অমসুং মিতর ১২ শাংবা বস ৮০০ য়াওরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

মাসি ঃ মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এল্লাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট (মাসি) কৈরাউ ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৫ দগী হৌদুনা নুমিৎ মঙানি চুপা চথুরকপা ৱিন্টর এদভেঞ্চর কোর্স ২০২৬ ঙসি কৈরাউদা লৈবা মাসিগী কমপ্লেক্সতা লোইশিনখ্রে।

কোর্স অসিদা ত্রেক্কিং, হাইকিং, রোক ক্লাইম্বিং অমদি যোগনচিংবা পাঙথোকখি।

ফুটবোলঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শিন্দুনা থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়মদা চথুরকখিবা অহুমসুবা এল. চন্দ্রকিশ্বর সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬ চেম্পিয়ন এস.এল.ৱাই.ও তেকচমনা ওইখ্রে।

ফুটবোলঃ কে.পি.এফ.সি খা পোৎশংবমনা শিনবা অহানবা ষ্টেট লেবেল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ফাইনেল দি.ৱাই.এল.ৱাই.এন-এফ.সি মোইরাংনা লৌরে। খা পোৎশংবমগী পাব্লিক গাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা দি.ৱাই.এল.ৱাই.এন-এফ.সি মোইরাংনা কে.পি.এফ.সি খা-পোৎশংবমবু টাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

ফুটবোলঃ ৬ শুবা চন্দ্রনদি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ৱাংগোই এফ.সিনা লংথবাল এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা হাওরৈবী অপুনবা এফ.সিনা মিলনজোই এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি খুদৈবন্দ লম্পাক লমশাংদা শান্নগদবা মেটচ অমদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউ লাক্তবদগী পি.সি.সিময়াইকোইবীনা ৱাঙ্ক ওভর ফংখ্রে।

ক্রিকেটঃ গেলেক্সি ক্রিকেট ক্লব-খুরাই সাজোর লৈকাইনা শিনদুনা চথরিবা অহানবা কে.সি.সি. কপ খুরাই ষ্টেট লেবেল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্যব টেননা এস.এস.ৱাই.সিবু রন ২৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতৈ মেটচশিংদা ৱাই.দব্লিউ.সি পাৎশোইনা এস.এস.সি ঙানুকোনবু রন ১৭ তা, ক্যব টেন্না সিমেক্সপু ৱিকেট ৩ দা থোইখি।

হোক্কিঃ ইম্ফাল ইষ্টকী কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ৱাই.সি.সি.আই.সিনা শিন্দুনা ইবুধৌ মার্জিং লম্পাক্তা চথরিবা ১৩ শুবা য়ুমাম রাসমণি মেমোরিয়েল ইনভিতেসন অন্দর ফিফতিন বোইজ এন্দ ৱিমেন হোক্কি তুরনামেন্টকী নুপামচাগী ফাইনেলদা হয়েং ঐচ.য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকাইগা মৈরা বাসিখোংগা শান্নরগনি। তুরনামেন্ট অসিগী নুপীমচাগী ফাইনেলদনা হয়েং য়ু.ই.এস.পি.এম-ই.এক্স-সাইগা ৱাই.সি.সি.আই-এ, কোন্থা অহল্লুকপকা থেংনরগনি।

রেষ্টলিং ঃ সাই রিজনেল সেন্তর লখনৌদা থা অসিগী ২০ দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওল ইন্দিয়া ইন্তর সাই রেষ্টলিং তুরনামেন্ট মেন এন্দ ৱিমেন অন্দর ফিফতিন এন্দ অন্দর সভেন্তিন কেটাগোরিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মীং লাউথোকখ্রে। সাই এস.দি.সি ইম্ফালনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- নুপা শান্নরোই ৪ অমদি নুপী শান্নরোই ৯, পুন্না শান্নরোই ১৩ না শরুক য়াগনি।

------